# অলেঙ শিমরা কুমজা ১৯৬৮ দা মেক্সিকোদা ইন্দিয়ন য়ুনিভর্সিটি ফুটবোল টিমগী কেপ্তেন ওইনা শরুক য়ারকখি



অলেঙ শিমরা







**অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

হান্নগী মখা...

ইশানা ফুটবোল হায়বা গেমসি পামজরকপনিনা অফবা অঙাং পুথোকপসু পাম্মী। ঐনা কয়ামুক থৱায় য়াওবগে হায়বদা স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা দেপ্যুটি দিরেক্টরগী ফম পুনা পুনা মণিপুর টিম পুদুনা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদসু চৎলকখি। মদুদসু ঐ য়াম্না নুংঙাই। ফুটবোলগী সার্কল অমদা অমুক উংদুনা লৈবদু ওন্থোক্লা নুংঙাইখ্রে। হান্নদি ষ্টেটকী ওইনা ফুটবোলগী কোচসিসু মশীং য়াল্লমদে। ঐখোয় খরনা কোইচেন চেন্দুনা পংহোৎতা হোৎনরকখি। অদু অদা অদুগুম্বসু কয়া লৈনদে। মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা ময়াম্না মশক খঙদুনা লৈরম্বা ফুটবোলগী কোচ হায়রগদি খুরাইগী দল্লিয়ু কামীনিকুমার (এন আই এস কোচ, সাই), ষ্টেট কোচ হায়রগনা ওজা ব্রজমনি, ঐখোয় খরসিনা থৱায় য়াওনা হোৎনরকখিবনি। নুপী ফুটবোলগী ত্রেনিং পীবদসু ঐখোয় খরসিনা মাঙজিন থাদুনা ত্রেনিং পীরকখিবা ঙাক্তনি। ইশানা প্লেয়র ওইজরকপনিনা থিওরিখক্তা নত্তনা প্রেক্টিকেল য়াওনা ফজনা তাক্লকখিবনি। ওজা কামিনিগা পূন্না কোচিং তৌমিন্নবসিসু য়াম্না নুংঙাই।

অঙাং তাকপা মতমদা ঐদি ৱা ঙাঙবসি কয়া হৈতবনিনা শৎ-শৎ হায়নীংবা, তাক্লিংবসিদা ব্রেক খরদি অদুম লৈরকখি। অদুনা করিগুম্বা কান্দা নুংঙাইতবসু য়াওরকই। ঐদি ৱা য়াম্না ঙাঙবা হায়বদুদি ওইরক্তে। অমরোমদসু ঐখোয়দি প্লেয়র ওইনা হৌরকখিবনিনা ৱা ঙাঙবসি কয়াসু পাল্লকখিদে। মরমদি করিনো হায়বদা শান্নরোয়না ৱা য়াম্না ঙাওলবদি য়েলো কার্দ চাই। হেন্না ঙাঙলগনা রেদ ফংই। অদুনা ৱা হেন্না ঙাঙবসি প্লেয়রগী ওইনদি অফবসু নত্তেদো।

ফুটবোল শান্নজরকপা অদুনা প্লেয়র ওইনা, কোচ ওইনা, দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইনা (স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী), ঐহাক মালেমগী মফম কয়াদসু চৎপা ফংজরকখি। বেঙ্কোক, মেলবোর্ন, জোর্দান, লন্দনচিংবা লৈবাক কয়াদসু চৎলুরে। স্পোর্টসকী সেমিনার, ৱার্কশোপ কয়াদসু শরুক য়াজরুরে। ঙসি ঐনা নুংঙাইবা পুন্সি অমা ফংদুনা হরাউ তরাম্না মীয়াম মরক্তা মায়পাক্লা হিংবা ঙমজরিবসিমক স্পোর্টসকা শম্নজরকপদগীনি। ঐগী পুন্সি অসিমক নুংঙাইজবা পুন্সিনি হায়না ঐনা লৌজে।

য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইনা ঐহাক্না থবক্তগী পোত্থাজরকখিবসিসু কুমজা ২০০৫ দগীনি। অদুবু ঐহাক শান্ন-খোৎনবগা লাপথোক্নবা হায়বদুদি ওইরকখিদে। ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগসু নক্কনা অদুম লাকই। ইশানা পামজবা, গেমসিবু নুংশিবনিনা ফুটবোল নুংশিবা ময়ামগা পুল্লগা মতম মতমগী থবক থৌরম কয়াদসু চিংথবা লৈরকখিদে। নেসনল স্পোর্টস একাদেমি খুমন লম্পাক্কী হৌজিক হৌজিক সেলেক্সন কমিটিগী চ্যেরমেনসু ওইজরি। ইশানা শান্নজরম্বা মতমগী ৱারীশিং নৌনা নীংশিংহন্দুনা মীয়ামদা লীহনবীবগীদমক থাগৎচরি। ঐহাকপু মতম অমগী ফুটবোল শান্নরোয় অমনি হায়না খঙহনবীবসিসু য়াম্না নুংঙাইজে। কাউথোক্লুরবা পুন্সি ৱারীশিং অমুক নীংশিংহনবীবা অসিনা ঐবু হেন্নসু নুংঙাইহল্লে। মিদিয়াগী থোংদা শাংলবা পাউদম অমা পীজবা অসিনা ঐহাকসি হৌজিকসু ফিল্ডদা থোক্তুনা শান্নবা ঙমগদবগী ৱাখল অমসু পোকহল্লে। নুমিৎ খরনি অসিদা ঐঙোন্দা পুন্সিগী তোপ তোপ্পা মহাও অমসু ফংহল্লে। মসিসু অঙকপা অমনি।

লোইশিল্লকপদা কুমজা ১৯৬০ দা মতমদুগী চীফ কম্মিস্নার জি এম রাইনানা পীরম্বা সনা তুলা অমগী ওইগদবা গোল্ড মেদল অদুসু পুথোক্তুনা য়েংহনবীরকখি। মেদল অদুগী নাকল অমদা ফুটবোল হকই, অতোপ্পা নাকল অমদনা প্রজেন্টেদ বাই জি এম রাইনা টু মণিপুর স্কুল ফুটবোল টিম ১৯৬০ হায়না থাই। সনাগী মেদল অদুগী মতাংদা ওজা অলেঙনা ৱাহৈ খরসু ফোঙদোকপীরকখি, ঐনা ফুটবোল প্লেয়র ওইরুবগী গোল্ড মেদল অসিগী মপু ওইবা ঙমজবনি। সনাগী মেদল অসি ঐনা কায়থোক্লম্লবদি ঙসি উবা ফংলম্লরোইদবনি। অদুগা ঐখোয় শান্নমীন্নরকপা প্লেয়র অমত্তদা সনাগী মেদল অসি লৈরমগনি হায়বা থাজদ্রে। ঙসি মেদলসি থমহৌবনা, ঐহাকসি মতম অমগী ফুটবোল শান্নরোয় অমনি হায়না শক্তাকপা য়াবদা নত্তনা মতম অমগী মণিপুর স্কুল টিমগী চেম্পিয়ন ওইখিবদা ঐহাক য়াওখি হায়বসিমসু প্রমান তৌবা য়ারে। পুন্সি চুপ্পা মসিমদি লেংদনা থম্লগনি। মেদলসি উবা মতমদসু ঐবু য়াম্না নুংঙাইহল্লি হায়নসু অরোইবা ওইনা ফোঙদোকপীরকখি।

অসিগুম্বা মমল য়াল্লবা ৱারী কয়া লীবিরম্বা ওজা অলেঙ শিমরা ঙসিদি ঐখোয়গী ইরক্তা লৈত্রে। মমাঙ থাগী ওগষ্ট ৩০ দা তাইবঙপান থাদোকখ্রে। অদুবু ওজা অলেঙনা লীবিরম্বা ৱারীশিং অসিদি মতম চুপ্পদা লেংদনা লৈহৌরগনি। ফুটবোলগী মশক নাইবা শান্নরোয় অমা ওইবিরম্বদা নত্তনা গেম অসিবু চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌবীরম্বা ওজাবু হুইয়েন লানপাউনা থম্মোয় শেংনা তৌবিমল খঙবা উৎচরি। ওজাগী থৱায়না ঈশ্বরগী নাক্তা নুংঙাইনা লৈবা ওইরসনু। - লোইরবা -

## [illegible]/নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি



TATA TRUST অমসুং U SPORTS না Sponsore তৌদুনা জর্মনদা চহী ৬ (তরুক) কী ফুটবোলগী ট্রেনিংগীদমক মণিপুরগী শান্নরোই ১৫ খনবদা THE ORIENTAL ENGLISH SCHOOL KEIBI দা তম্বা মহৈরোয় Md. Zakir য়াওরকপদা স্কুল অসিগী ওঝাশিং অমদি ছাত্রশিংগী মায়কৈদগী নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মাগী তুংগী পুন্সিদা মাই পাকপা মশক নাইবা মালেমগী অফবা শান্নরোই অমা ওইবা ওইরসনু হায়না য়াইফ মঙ্গল পীজরী। Md. Zakir Purum Pangaltabi দা লৈবা Md. Rashi অমদি Sajina গী মচানুপানি।

Sd/- **PRINCIPAL**
The Oriental English School Keibi Imphal East

HL-P/9620/07

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ১৯

1. ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল ফাইনেলদা অহুল্লক শান্নখিবা ইহান হানবা শান্নরোয় অদু কনানো?
2. অর্থর অশ (Aurther Ashe) ৱিমব্লেদন চেম্পিয়ন ওইবা অহানবা কুচু মুবা শান্নরোয়নি। ৱিমব্লেদন চেম্পিয়ন ওইবা কুচু মুবা অনীশুবা শান্নরোয় অদু কনানো?
3. মণিপুর মচাশিংগী মরক্তা কনানা শন্তোস ত্রোফিদা অতোপ্পা ষ্টেট অমগী মহুৎ শিন্দুনা ইহান হান্না শরুক য়াখি ?
4. মণিপুরদা কনভেন্সন অমা শেমদুনা ষ্টেট অসিগী শান্নবগী মকোক ওইনা শিল্লিবা লূপ অমগী মথক্তা ৱাকৎ চত্থখিবা লুচিংবশিংগী মরক্তা অমদি মতুংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইখি। মহাক কনানো?
5. আসামগী ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ্তা ফাইনেল শান্নখিবা মণিপুরগী শান্নরোয় অমগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ০৯, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।



## অপূনবা মণিপুর হুইয়েন লানলোং লূপকী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ঃ অপূনবা মণিপুর হুইয়েন লানলোং লূপকী মীফম অমা হৌখিবা সেপ্টেম্বর মরিগী অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা কোংবা উচেকোন লাইরেনপাৎ মচিন্দা লৈবা কংলৈপাক থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএশনগী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা মণিপুরদা লৈরিবা রেজিষ্টর বোদি ৪৬না লিংখৎপা অপূনবা লূপ অসিগী মরমদা শক্লাইরবা শিন্তাক পুরেলশিংনা থাঙ-তা হায়বসি অচম্বা মহৈ নত্তে হায়না ৱাফোঙখি। লৈশেমলোন, লৈঙাকলোন, য়ূম্বানলোল, পুন্সিলোল, লাইনীং-লাইচৎ, থকসি খাসিনা মপুং ওইরবা অমদি থাদোক্লবা য়াদ্রবা মীতৈ ঐখোয়গী থৱায় ওইরিবা মহৈনি। থাঙ-তাগী মপান্না ঐখোয়গী লমকৈ, শক্তম ঙাকচদুনা মালেমদা মুৎনাইদনা ঙসি ফাওবা হিংলি। অসিগুল্লবা নাৎকী য়াংলেন শরু ওইরিবা মহৈ অসি ঐখোয়গী হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা তম্বীবগা লোয়ননা মালেমদা চাওখৎনবা হোৎনবা অমদি মালেমগী থাক্তা পুখৎমীন্নবা অরোইবা অচেৎপা ৱাশক লৌরসি হায়না ফোঙদোক্লখি।

থৌরমদুদা গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর ডা. এ শ্যামকিশ্বর, থাঙ-তাগী শিন্তাক পুরেল সাইখোম নোদিয়া মঙাঙ, সনা লৈবাক থাঙ-তাগী শিন্তাক পুরেল ঐচ বিশ্বরুপ, অপূনবা মণিপুর হুইয়েন লানলোং লূপকী প্রসিদেন্ট ওক্রম মঙলেম্না প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।







# টেক্স পেয়রশিং নখোয়বু থাগৎচরি...

পনবীয়ু নহাক্কী পান

## নহাক্কী টেক্সকী শেনফমনা ইন্দিয়াগী চাওখৎপগী ৱারী লাকহল্লি!




## এদভান্স টেক্সকী নহাক্কী ২ শুবা ইন্সটোলমেন্ট

## সেপ্টেম্বর ১৫, ২০১৬ ফাওবদা থিয়ু

**করম্বা টেক্সপেয়রশিংনা এদভান্স টেক্স থিগনি**

- শেনবা চহী অসিগী ওইনা টেক্স লাইএবিলিটিগী চাং সোর্সতা টেক্স ককখ্রগা/লৌখ্রগা লুপা ১০,০০০/- নৎত্রগা হেনবা তোলোব চাবা ইমপ্লোয়ি য়াওনা এসেসি অমা হেক্তা
- ব্যুজিনেস/থবক অমদগী ইনকম লাক্তবা রেসিদেন্ট সিনিয়র সিটিজন (মশাগী চহী ৬০ নৎত্রগা হেনবা মীওই) দি হায়রিবসি থিরোই
- *সেক্সন ৪৪ এ দিদা পল্লিবা ইলিজিবল ওইবা ব্যুজিনেসকী ওইনদি এসেসিনা অসিগুম্বা এদভান্স টেক্সকী শেনফম অপূম্বা মরী লৈননা শেনবা চহীগী মার্চ ১৫ দা নৎত্রগা মমাঙদা থিগদবনি

**থিবগী মওং**

- কোরপোরেট খুদিংমক অমসুং ইনকম-টেক্স এক্টকী সেক্সন ৪৪ এ বিগী মখাদা ওদিট তৌবা চঙবা একাউন্টশিং লৈবা এসেসিশিংসু ঈ-পেমেন্ট তৌবা তঙাইফদে
- ঈ-পেমেন্ট অসি অতৈ টেক্সপেয়রশিংগী ওইনসু খুদোং চাই মরমদি, মসিনা টেক্সপেয়রনা অপলোদ তৌবা দেটাদা য়ূম্ফম ওইরগা ক্রেদিট চুম্না তৌহল্লি
- থিখিবা টেক্সশিংগী ক্রেদিট শোইদনবা পান চুম্না মেল্লু

**এদভান্স টেক্স থিবগী সেদ্যুল**

| থিগদবা তারিখ | শেনফম |
|---|---|
| সেপ্টেম্বর ১৫, ২০১৬ তা নৎত্রগা মমাঙদা | থিফম থোকপা এদভান্স টেক্সকী চাদা ৪৫ |
| দিসেম্বর ১৫, ২০১৬ তা নৎত্রগা মমাঙদা | থিফম থোকপা এদভান্স টেক্সকী চাদা ৭৫ |
| মার্চ ১৫, ২০১৭ তা নৎত্রগা মমাঙদা | থিফম থোকপা এদভান্স টেক্সকী চাদা ১০০* |

**এদভান্স টেক্স ৱাৎনা থিবা/থিদবগী লাকপা য়াবা ফলশিং**

- এদভান্স টেক্স ৱাৎনা থিবা/থিদবা নৎত্রগা থেংথনা থিবনা ইন্টরেষ্ট থিহনবগী ফীভম লাক্কনি

**ভিজিট তৌবিয়ু ঃ**
www.incometaxindia.gov.in দা

- ওথোরাইজ বেঙ্ক ব্রাঞ্চশিং খঙনবা
- চালান ফোর্মশিংগীদমক
- ঈ-পেমেন্টগীদমক
- চালানগী ষ্টেটস ইনক্বারি তৌনবগীদমক

@IncomeTaxIndia

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট
www.incometaxindia.gov.in

davp 15401/13/0073/1617